## যু এসকী মায়োক্তা লমন খুমগনি

কাইরো, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
হৌখিবা অরোইবা চয়োলদা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা যু এস স্পেসল ফোর্সেসনা চথখিবা রেইদ অমদা ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বাকর অল-বাঘদাদি শিখি হায়বা ৱাফম গ্রুপ অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা কনফার্ম তৌখ্রে অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা মখোয়গী লিদর হাৎখিবগী লমন খুমগনি হায়না ৱাশকখ্রে। ইস্লামিক ষ্টেটনা গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন অবু অল-হসন অল-মুহাজিরসু অতোপ্পা যু এসকী রেইদ অমদা শিখ্রে হায়বা ৱাফমসু কনফার্ম তৌখ্রে।

## যু এসকী দ্রোন কাপথখ্রে

দুবাই, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
হৌথি মুভমেন্টকী এয়র দিফেন্সশিংনা সাউদি বোর্দর মনাক্তা যু এসনা শাবা স্কেনইগল দ্রোন অমা কাপথখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা য়েমেনদা লান হৌরিবা গ্রুপ অদুগী মিলিটরি স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কী মতুং ইন্না অমেরিকান দ্রোন অদু অরোন-অথুপকী পাউ লৌরিঙৌদা কাপথখিবনি।

# টর্কি, রসিয়ানা সিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা জোইন্ট পেট্রোল হৌখ্রে



অঙ্কারা, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
টর্কিগী বোর্দর মনাক্তগী কর্দিস মিলিস্যা কাঙবু অমা নমদুনা হন্দে দাকহল্লিবা টর্কি অমসুং রসিয়াগী মরক্তা পুরকখিবা দিল অমগী মখাদা লৈবাক অনীগী ট্রুপশিংনা ইরাই নুমিত্তা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা গ্রাওন্দ পেট্রোলিং পাঙথোকমিন্নবা হৌখ্রে।

টর্কি অমসুং মীচং ওইরিবা সিরিয়ন রেবেলশিংনা হৌখিবা ওক্তোবর ৯ দা কর্দিস ৱাই পি জি মিলিস্যাগী মায়োক্তা বোর্দল লান্না চঙশিন্দুনা লান্দাবা হৌখিবনি। মখোয়না বোর্দর পরিংদা লৈবা কিলোমিটর ১২০ গী লম পায়শিনখিবনি। হৌখিবা চয়োলদা অঙ্কারা অমসুং মোস্কোনা বোর্দরগী খা রোমদা য়ামদ্রবা কিলোমিটর ৩০ না কোনবা লমগী শরুক্তগী মিলিস্যা ফাইটরশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়ানখি অমসুং রসিয়াগী মায়কৈদগী টর্কিদা লমদম অদুদগী ৱাই পি জি হন্দোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইরাই নুমিত্তা টর্কিগী অর্মর ভেহিকলশিং রসিয়াগী লেংমান্নবশিংগা পুন্নবগীদমক্তা বোর্দর লান্না সিরিয়াগী লম্বীশিংদা থৌজিনখি। সিরিয়াগী বোর্দর টাউন দর্বাসিয়াগী মনুং চনবা মফম অমদা জোইন্টস পেট্রোল পাঙথোকমিন্নগদৌরিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী গ্রাউন্দ অমসুং এয়র য়ুনিটশিং শরুক য়াগনি হায়না টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ত্বিটর পোষ্ট অসিদা ট্রুপশিংনা মেপ য়েংদুনা লৈবা অমদি আর্মর ভেহিকল ৪গী ফোটোসু উৎখি। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়ন মিলিটরি পুলিসকা লোয়ননা মিলিটরি ভেহিকল ৯ না শরুক য়াদুনা কিলোমিটর ১২০গী লমদা পুন্না পেট্রোলিং তৌমিন্নবদু দর্বাসিয়াদগী হৌরগা নোংচুপ পাংনা বোর্দর পরিংদা মখা তানা চত্থগনি। বোর্দর মনাক্তা ফাবা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী লান্মীশিংনি হায়বা মীওই ১৮ টর্কিনা রসিয়নশিংদা শীন্নখ্রবনি।

# ইরানগী কন্সত্রক্সন সেক্তরনা অথিংবা থমখ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ০১(এজেন্সি) :
ইরানগী কন্সত্রক্সন সেক্তর অমসুং টেহরানগী ন্যুক্লিয়র মিলিটরি প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈনবা মেটরিএল মরি থাদোক-থাজিন তৌবগী থবক্তা অথিংবা থল্লে হায়না যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, ইরানগী ইস্লামিক রেভোল্যুসনরি গার্দ কোর (আই আর জি সী)না হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা কন্ত্রোল তৌবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী কন্সত্রক্সন সেক্তরদা যু এসনা অথিংবা থল্লিবনি।

পনবা য়াবদি, আই আর জি সী অসি হৌখিবা এপ্রিলদা যু এসনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। যু এসনা টেহরানগী ন্যুক্লিয়র, মিলিটরি নৎত্রগা বলিষ্ট্রিক মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা শীজি নৈ হায়না ৱাশিংটন্না ক্লেম তৌখ্রবা মেটরিএল মরি ইরানগা লল্লোন ইতিক তৌনবদসু অথিংবা থল্লে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

খ্বাইদগী নৌবা অথিংবশিং অসি যু এসনা ইরানদা য়ারিমখৈ কন্না শেল-থুমগী প্রেসর পীননবা চত্থরক্লিবা কেম্পেয়ন অমগী শরুক্কি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মখা তাখি।

চৈরকসিদা ফোরেন কম্পনিশিংনা যু এসকী চৈরাক মায়োক্লবগী ফিভম য়াওদনা ইরানগী সিভিলিয়ন প্রোগ্রামগা মরী লৈননা থবক তৌনবা মীরৈবাক্কী কম্পনিশিংদা অয়াবা পীরিবা অথিংবশিং কোমথোকপগী থৌরাং দিপার্টমেন্টনা মখা তানা শাংদোকখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি।

# 'মল্টিপল রোকেট লোঞ্চরশিং মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে'



সিওল, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
কা হেন্না চাওরবা মল্টিপল রোকেট লোঞ্চরশিং চাংয়েং তৌবদা মায় পাকপা ঙল্লে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সী এন এনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কে সী এন এনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, খ্বাইদগী নৌবা অচৌবা মল্টিপল রোকেট লোঞ্চরশিংগী চাংয়েং অদু নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা ওগষ্ট অমসুং সেপ্তেম্বরদা মান্নবা খুৎলায় চাংয়েং অনী পাঙথোকখ্রবা মতুংদনি।

খোঙথাং অসিনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রাম লেপ্পগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানবা মখা চত্থদনা লৈরবসু প্যোংয়াংগী খুৎলায় শাবগী প্রোগ্রেস কদায় ফাওবা লৈরবগে হায়বদু উৎলি।

মিসাইলশিং অদু কাপখিবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা চাংয়েংশিং মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা কিমনা চাংয়েং অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি অমসুং খুৎলায় অদুবু শাবদা শরুক য়ারিবা সাইন্টিষ্টশিংদা হরাও তয়াম্বসু উৎখি হায়না কে সী এন এগী রিপোর্ট অদুদা পনখি। মহাক্কী থৌরাং অসিনা শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিলদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংগী মফম অদুদা কিম লাকখিদে হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট পাউচে রোদোং সীনমুন্না মল্টিপল রোকেট লোঞ্চরশিং অদুবু হমগাম্পাল মচুগী মৈরি অমসুং মৈখুনা য়োম্বগী ফোটো অমা উৎখি। শগোলশেল নুমিৎকী চাংয়েং অদুনা মল্টিপল রোকেট লোঞ্চরসকী ফায়র সিষ্টেম অদুনা খঙহৌদনা ষ্ট্রাইক তৌদুনা য়েক্লবগী টার্গেট গ্রুপ অমা মপুং ফানা মাঙহন তাকহনবা ঙম্মী হায়বসি ভেরিফাইদ তৌখ্রে হায়না কে সী এন এনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জপানগী চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি য়োসিহিদে সোগানা নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা চাংয়েং অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিজোল্যুসনগী মায়োক্তনি অমসুং খ্বাইদগী নুংনাংনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। যু এসকী রিপব্লিকান সিনেটর খরনসু নোর্থ কোরিয়াগী চাংয়েং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

# সাউথ কোরিয়াগী দাইভরশিংনা এয়র বস চোপ্পর থেংনখ্রে



সিওল, নবেম্বর ০১(এজেন্সি) :
সাউথ কোরিয়াগী রেস্ক্যু সভির্সেসকী দাইভরশিংনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা য়েংনবা লৈবা দোকদো ইথৎশিংগী মনাক্তা মীওই ৭ কা লোয়ননা সমুদ্রদা তাশিনখিবা এয়র বস চোপ্পরগী মফম ইরাই নুমিত্তা খঙবা ঙমখ্রে হায়রি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কায়রবা চোপ্পর অদুগী মনাক্তা অশিবা হকচাং অমা থেংনখি। অমরোমদা, কোষ্ট গার্দকী মায়কৈদগীদি অশিবা হকচাং অমা ফংলে হায়বা রিপোর্ট কনফার্ম তৌবা ঙমখিদে অমসুং মখা তানা চোপ্পর অদুদা তোংখিবা মীওইশিং থিবগী থবক চত্থখি।

সাউথ কোরিয়াগী ফায়র দিপার্টমেন্টনা ওপরেট তৌবা এয়র বস ঐচ ২২৫ সুপর পুমা হেলিকোপ্টর অদু ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা ইথৎ অদুদগী মিটর ৭০০ লোম লাপ্পা মফমদা থেংনখি হায়না কোষ্ট গার্দকী ওফিসল অমনা মিদিয়া ব্রেফিং অমদা ফোঙদোকখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইন্না হায়খি মদুদি, লৈবাক অদুদা লৈরিবা হৌজিক হৌজিক সর্ভিসতা শীজিন্নরিবা অতৈ ঐচ ২২৫ চোপ্পরশিংগী সেফটিগী চেকশিং পাঙথোক্লবা মহাক্লা ওর্দর তৌখ্রে।

ফায়র দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না অশোকপা মীওই অমা হোস্পিটালদা পুখিবা হেলিকোপ্টর অদু অহিং নোংয়াই য়ৌরমদাইদা দোকদোদগী পাইখৎখিবা মতুং মিনিট অনী লৈরগা কায়খিবনি।

সাউথ কোরিয়া, জপান অনীমক্লা মখোয়গী টেরটোরিনি হায়না ক্লেম তৌরিবা দোকদোগী ইথৎ মচাশিং অদু জপানদনা তাকেসিমা হায়না খঙনৈ। করি অশোয় অরাক লৈখি হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক রেস্ক্যু ওফিলসশিংনা ব্লেক বোক্স অমসুং ভোইস রেকোদর লৌথোক্লবা হোৎনরি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

এয়র বসকী সব-কন্টেক্ত্রর অমনা মোদেল অদুগী মপুং ওইবা গিয়র সিষ্টেমগী মেন্টেনেন্সকী থবক হৌখিবা সেপ্তেবর অমসুং ওক্তোবরগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মতুংদা পাইদুনা চাংয়েং তৌখি অমসুং মদুদা সেফটিগী ইশ্যু অমত্তা থেংনখিদে হায়না মহাক্লা মখা তাখি। ঐচ২২৫ হেলিকোপ্টর অহেনবা অনী অমসু সাউথ কোরিয়াগী ফায়র দিপার্টমেন্টনা এয়রবসতা ওর্দর তৌখ্রবনি।

# সম্মিট মাঙওইননা থাই কেপিটেলদা সিক্যুরিটিগী থৌরাং কনখৎখ্রে




বেঙ্কোক, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ হুম্নিগী সাউথ-ইষ্ট এসিয়ন অমসুং অতৈ ইন্টরনেসনল লিদরশিংগী সম্মিট অমগী মাঙওইননা থাই ওথোরিটিশিংনা কেপিটেল সিটি অসিদা সিক্যুরিটি ওফিসর ১৭,০০০ হেন্না দিপ্লোই তৌখ্রে।

হৌখিবা ওগষ্টতা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা রিজনেল মীফম অমা মফম কয়াদা বোম পোকখায়দুনা য়ৈখায় থিনগায়বা খরা থোকহনখিবা মতুংদা অদুগুম্বা মখলগী এটেক কয়া হন্দকসু চত্থরকপা য়াই হায়বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ওথোরিটিশিংনা কেপিটেলদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলকখিবনি।

এসোসিএসন ওফ সাউথ-ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন) অমসুং ইষ্ট এসিয়া সম্মিট (ঈ এ এস)কী লিদরশিংগী মরু ওইবা মীফম পাঙথোকফমগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বী কয়া শগোলশেল নুমিত্তগী হৌনা মী চংথোক-চংশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে।

বেঙ্কোক্কী অৱাংদা লৈবা মপুং ওইবা মীফম মফমদা ওফিসর ৫০০০ দিপ্লোই তৌখ্রে হায়না এসিষ্টেন্ট নেসনল পুলিস চীফ দামরোংসাক কিত্রিপ্রপসনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ওগষ্টতা বেঙ্কোক্তা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখিবদা সিটি অসিদা পরিং নাইনা বোমগী এটেক কয়া চত্থখ্রবা মতুংদা থাই ওথোরিটিশিংনা সিক্যুরিটিগী ৱাফম অসি লুনা খন্নরকখিবনি। সাউথ এসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা অমসুং অতৈ ৱার্ল্ড পৱারশিংগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেটশিংনসু শরুক য়াখি।

ওগষ্টকী এটেক অদুদা মীওই অমত্তা শিখিদ্রবসু মীওই ৪ দি অশোক-অপন নংখি। পুলিসনা এটেকশিং অদু দোমেষ্টিক পোলিটিক্সকা মরী লৈনৈ হায়খিবনি।

# লেবাননগী দোলর মিলিয়ন ১০৫গী সিক্যুরিটি তেংবাং ফাজিনখ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না দোলর মিলিয়ন ১০৫কী লেবাননগী সিক্যুরিটি তেংবাংগী শেনফম ফাজিল্লে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা যু এস ওফিসল অনীনা ফোঙদোকখ্রে।

লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হরিরিনা মফম থাদোকখিবা মতুং নুমিৎ নিনি কান্নরগা যু এসকী ওফিসলশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসল অনীদুগী মতুং ইন্না হ্বাইট হাউসকী বজেট ওফিস অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ফোরেন মিলিটরি এসিষ্টেন্স ফাজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা কোংগ্রেসতা ফোঙদোকখি।

তেংবাংগী শেনফম অদু করিগীদমক্তা থিংলিবনো হায়বগী মতাংদদি ওফিসলশিংনা পনখিদে। সোর্সশিংদুগী মনুংদগী অমনা হায়খি, ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা কোংগ্রেসতা ৱারেপ অদুগী মরম অমত্তা পীখিদে। চৈরকসিদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা কমেন্ট অমত্তা পীযু য়াখিদ্রে হায়রি।

ইরাং লৈবা মিদল ইষ্টতা যু এসকী পার্টনর অমা ওইরিবা লেবাননগী বোর্দর ঙাক শেনবদা তঙাইফদনা চঙগনি হায়না যু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না মে থাদগী হৌদুনা তেংবাংগী শেনফম অদু পীবগী ৱাফম এপ্রুভ তৌনবা তকশিনখিবনি। মিলিটরিগী মতেং অদুদা নাইট ভিজনশিং গুগলশিং অমসুং বোর্দর সিক্যুরিটিদা শীজিন্নবা খুৎলায়শিং য়াওই হায়রি।

রুলিং এলিটকী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চত্থরিঙৈ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হরিরিনা মফম থাদোকখিবা মতুংদা যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা লেবাননগী পোলিটিকেল লিদরশিংদা মীয়ামগী অপাম্বশিং য়েংশিনবা ঙমগদবা অনৌবা গভর্নমেন্ট শেম্বদা মতেং পাংনবা তকশিনখিবনি।

# করাচিদগী লাকখিবা পাকিষ্টানি প্রোটেষ্টরশিং ইস্লামাবাদতা পুনখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
লোনা য়াদবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী গভর্নমেন্ট পৱার থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরিবা পাকিষ্টানগী ওপোজিসন সপোর্টর লিশিং চা কয়ানা শরুক য়াদুনা ইরাই নুমিত্তা কেপিটেল ইস্লামাবাদতা রেলি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা মখোয়গী দিমান্দশিং অদু থুংদবা তারবদি লৈবাক অদুদা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমা লাক্কনি হায়না মখোয়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

কেপিটেল ইস্লামাবাদদা পাঙথোক্লিবা প্রোটেষ্ট অদু ক্রিকেট ষ্টার ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন অমা ওইরকখিবা ইমরান খান্না হৌখিবা চহীদা পাকিষ্টানি সোসাইটিদা করপসনগী চৎনবী মুথৎকনি অমসুং লায়রবশিংদা থবক ফংহনগনি হায়বগী ৱাশক্লা লোয়ননা মীখলদা মায় পাক্কুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবদগী ওপোসিজন কাঙবুশিংনা পুনশিন্নদুনা মহাক্কী মায়োক্তা অপুনবা ইহৌ অমা শাগৎপগী অহানবা থৌদোক্লি।

পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী চাওবা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা পার্টিশিংগী মনুংদা অমগী লিদর ফাজল-উর-রেহমন্না প্রোটেষ্ট অদু লুচিংলি। মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি অনীনসু মহাকপু শৌগৎলি।

ইমরান খানগী গভর্নমেন্টনা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা ফিভম কয়া মায়োক্লরিঙৌদা ওপোজিসন কাঙবুশিংনা মহাকপু মফম থাদোকহন্নবগী পান্দমদা প্রোটেষ্ট অসি পাঙথোক্লিবনি। ওপোজিসন্না গভর্নমেন্টপু পাকিষ্টানগী পুৱারীদা লৈবাক অসিবু মতম শাংনা লৈঙাক্তুনা লাকখিবা মিলিটরিনা শৌগৎলি অমসুং লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি অমসুং ফোরেন পোলিসিদা মিলিটরিনা ইথিল চাওনা পী হায়রদুনা লোগী মায়োক্তা ওই হায়না মরাল শীরিবনি।

মিলিটরিগী মায়কৈদগীদি লৈবাক অদুগী পোলিটিক্সতা মখোয়না খুৎ থিংজিল্লি হায়বা ৱাফম অসি য়াদ্রি। ওপোজিসন্না তৌরিবা মহাকপু মফম থাদোকউ হায়বা দিমান্দ প্রাইম মিনিষ্টর খান্না য়াখিদবগা লোয়ননা সিটিগী লম্বীশিংদা কাং খোং চাইহনবগী থৌওংশিংদা গভর্নমেন্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই হায়না প্রোটেষ্টরশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

# পোলিটিকেল পার্টি ১৬না গোতাবায়া রাজাপক্সা শৌগৎখ্রে



কলম্বো, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
শ্রিলঙ্কাগী নবেম্বর ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা শ্রিলঙ্কা পোদুজানা পেরামুনা (এস এল পি পি)গী প্রসিন্দেন্সিএল কেন্দিদেন্ট গোতাবায়া রাজাপক্সা শৌগৎনবগী য়ানচে অমা পোলিটিকেল পার্টি ১৬ না খুৎয়েক পীনখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা শ্রিলঙ্কা ফাউন্দেসন ইন্সটিট্যুট (এস এল এফ আই)দা পোলিটিকেল পার্টি ১৭কী মীহুৎশিংগী মমাংদা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট অদুনা শ্রিলঙ্কা পিপলস ফ্রীদম এলাইয়েন্স (এস এল পি এফ এ) শেম্লগনি হায়না দেলি ফাইনান্সিএল টাইমনা ফোঙদোকখি।

মহাজানা এক্সসাথ পেরামুনা, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ শ্রিলঙ্কা, লঙ্কা সমা সমাজা পার্টি, দেমোক্রেটিক লেফ ফ্রন্ট, জাথিকা নিদাহাস পেরামুনা, পিভিথুরু হেলা উরুমায়া, সিলোন ৱার্করস কোংগ্রেস, ঈলাম পিপলস দেমোক্রেটিক পাটি, নেসনল কোংগ্রেস, শ্রিলঙ্কা মহাজানা পাক্ষায়া, দেসাভিমুকথি জনাথা পাক্ষায়া, য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি, ভিজায়া ধারনি মহাজানা সবাৱা, মুথপোক্কুথ থামিল কাচি অমসুং তামিল মকল ভিদুথালাই মুলিকাল হায়রিবশিং অসিসু অনৌবা এলাইয়েন্স অদুগী মেম্বরশিংনি।

হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা লুচিংবা শ্রিলঙ্কা ফ্রীদম পার্টি (এস এল এফ পি)নসু খ্বাইদগী নৌবা এগ্রীমেন্ট অদুদা খুৎয়েক পীখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্না দিফেন্স মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা রাজাপক্সানা হায়খি মদুদি, হৌখিবা লোকেল গভর্নমেন্ট ইলেক্সনগী ভোট থাদনবগী মওংদা বেজ তৌরগা হন্দক্কী মীখল অসিদা মহাক্লা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৫৬ ফংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

কনাদা ভোট পীগদগে হায়বসি মীয়াম্না লেপ্পখ্রবা ওইবনা মীখলগী রিজল্ট হায়দোকপগা মান্নরবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা মায় পাকপা তারবদি ঐখোয়না শ্রিলঙ্কাগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা, রুল ওফ লো লৈহন্নবা অমদি দিমোক্রেসিবু কন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎকনি হায়বা মহাক্লা মখা তাখি।